# খূৎলাই পায়বশিংনা মহৈরোয় ৮০ ফাদুনা পুখ্রে, ১ হাৎলগ্লে

অবুজা, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা স্কুল অমদগী শকখঙদবা খূৎলাই পায়বশিংনা মহৈরোয় ৮০ ফাদুনা পুখিবগা লোয়ননা পুলিস ওফিসর অমা কাপ্পুনা হাৎলগ্লে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কেবি ষ্টেটতা লৈবা স্কুল অমদা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা খঙহৌদনা এটেক চথ্দুনা পুলিস পর্সনেল অমা হাৎলবা মতুং মহৈরোয় ৮০ গা লোয়ননা ওজা ৫ ফাদুনা পুখিবনি। কেবি ষ্টেটগী মনুং চনবা বিরনিল য়ৌরি টাউনগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা ফেদরেল গভর্ণমেন্ট কোলেজদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থা অসিগী মনুংদা খূৎলাই পায়বশিংনা মহৈরোয়শিংদা এটেক চথখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অহুমলকশুখ্রে। খূৎলাই পায়বশিংনা নাইজেরিয়াদা মী ফাদুনা শেলগী দিমান্দ তৌবগী থবক পাক্তন্ননা চথরক্লি। শকখঙদবশিংনা এটেক চথখিবা স্কুল অদুগী ওজা উস্মান অলিয়ুনা ফোঙদোকখিবা খূৎলাই পায়বশিং অদুনা স্কুলদগী নমদুনা মহৈরোয় ৮০ রোম ফাদুনা পুখ্রে। মহৈরোয়শিং অদু অয়াম্বনা নুপীমচা ঙাক্তনি। স্কুল অদুগী গেটতা মথৌ তৌদুনা লৈবা পুলিস ওফিসর অমসু খূৎলাই পায়বশিং অদুনা কাপ্পুনা হাৎলমখি।



কেবি ষ্টেটতা লৈবা পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় নাফিয়ু অবুবাকরনা ফোঙদোকখিবদা খূৎলাই পায়বশিংনা স্কুল অদুদা এটেক চথনবা হোৎনরকপদা স্কুল অদুগী গেটতা মথৌ তৌদুনা লৈরিবা পুলিস ওফিসর অদুগা নোংমৈ কাপনখি। থৌদোক অদুদা পুলিস অদু লৈখিদবগা লোয়ননা মহৈরোয় অমসুং নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা অমদি মনাক নক্না লৈবা উমংশিংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। নাইজেরিয়া বোকো হরাম গ্রুপকা মরী লৈনবা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা য়াম্না তোয়না রেন্সম তানবগী থবকশিং চথরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দসু নাইজেরিয়াগী খা নোংচুপ থংবা শরুকতা বোকো হরাম গ্রুপনা মহৈরোয় নুপীমচা ২৭০ কিদনেপ তৌখিবগী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। চহী অসিগী মে থাগী অরোইবদসু সেন্ত্রেল নাইজেরিয়াদা খূৎলাই পায়বা মীওই খরনা অঙাং ১৩৬ ফাজিন্দুনা থল্লুরবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা অমুক হন্না থাদোরকপগী থৌদোকসু থোকখিবা লৈখ্রবনি।

## বংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংয়া রেফ্যুজি মরি দাইরিয়ানা মরম ওইরগা শিখ্রে

জেনেভা, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সকী মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক বংলাদেশদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মশীং য়াল্লবা রোহিংয়া রেফ্যুজিশিংনা মখল কয়াগী অৱাবা থেংনরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অৱাবা মরক অসিদা রেফ্যুজিশিংগী মরক্তা দাইরিয়া নারকপদগী মীওই ৪ শিহনখ্রে। অদুগা ১,৫০০ রোম দাইরিয়ানা নাহনখ্রে হায়রি।

বংলাদেশকী কোক্স বজারদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং অদু কা হেন্না মশীং য়ামখৎলকপদগী বংলাদেশ ওথোরিটিনা রেফ্যুজি ১৮,০০০ রোম ভাসন চারদা লৈবা আইলেন্দ অমদা হোংদোক্তুনা থল্লকখিবনি। আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রোহিংয়াশিং মফমদুদা থল্লগা খরা ফগদ্রা হায়রগা হান্নদগী হেন্না খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরি। আইলেন্দ অদুগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌবনা মরম ওইরগা রেফ্যুজিশিং তংদু লৈতানা লৈবা ঙমদে। মরক অসিদা থা অসিগী অঙনবদা আইলেন্দ অদুদা চুখিবা অকনবা নোংলোইখ্রবা মতুং দাইরিয়া লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌরকখিবনি। হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজি মরি শিহনখিবনি। শিখ্রবশিং অদুগী মনুংদা অহুমনা অঙাংনি অদুগা অমনা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা নুপী অমনি।

আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং ১,৫৫০ রোম লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ৬০০ দি হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথবগী মথৌ তারি হায়না হোস্পিটাল অদুদা থুংখিবা ডোক্তর রাহদ তনভির অনৱারনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্কী ওইনদি লায়না লাইচৎ অসি মখা তানা শন্দোরক্তনবা ডোক্তরশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। মফমদুদা ফম্মুং ৩০ থাবা হোস্পিটাল অমা হাংদোক্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথবা হৌরে। হোস্পিটাল অদুদা দাইরিয়া পেসেন্ট ১৪ হৌজিক হৌজিক ট্রিটমেন্টগী থবক চথরি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা রিজনেল হেল্থ চীফনা ফোঙদোকখিবদা দাইরিয়ানা মফমদুদা মীশি মীনা থোকহনখিবগী পাউ হেক ফংবগা ওথোরিটিশিংনা ৱাটর প্যুরিফিকেসন টেব্লেট ৩৩,০০০ অমদি ওরেল রিহায়দ্রেসন সোল্যুসন দোজ ৩৫,০০০ য়েন্থোকখ্রে। মথৌ তাবা পোৎলমশিং রেফ্যুজিশিং অদুদা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা হেন্দ পম্পদগী তারক্লিবা ঈশিং নত্তবা অতোপ্পা মফমদগী ঈশিং শীজিন্নদনবসু আইলেন্দ অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজিশিংদা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা আইলেন্দ অদুদা লৈবা মশক মমিং তাকথোক্তবা রোহিংয়া রেফ্যুজি অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী চহী ৩ লোম শুরবা মচানুপা অদুদা ডোক্তরনা সেলাইন সোল্যুসন খক্তমক পীথকখি। অমদি নুপামচা অদু ময়ুমদা পুখিনবা খঙহল্লকখি। মসিদা নত্তনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফার্মাসিদা চৎলগা লৈরুনবা ডোক্তর অদুনা হায়রকখি। হীদাক লৈনবা শেনফম লৈতবনা মরম ওইরগা হৌজিকসু মহাক্কী মচানুপা অদু নাদুনা লৈরি হায়না মখা তানা ফোদোরকখি।

## খূৎ থোক্লরকপগী থৌদোক্তা ফাদোক ৫ শিখ্রে, ৩৯ শোকখ্রে

টেবোসিগালপা, জুন ১৮ (এজেন্সী):

হোন্দুরসতা লৈবা হায় সেক্যুরিটি প্রিজন অমদা লৈবা য়ানদবা গেং মেম্বরশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকপগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা ফাদোক ৫ শিখিবগা লোয়ননা জেল গার্দশিং য়াওনা প্রিজনর ৩৯ অশোক অপন নংখ্রে হায়না জুদিসিয়েল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টেগুসিগালপাগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা লা টোলভা প্রিজনদা গেং মেম্বর কয়া ফাজিন্দুনা থল্লি। খঙহৌদনা বারিয়ো গেংগী মেম্বর ১৮ না য়ানদবা মরা সালভাতরুচা গেং মেম্বরশিংনা লৈরিবা অতোপ্পা সেক্সন অদুদা চঙশিল্লক্তুনা খূৎ থাবগী থবক হৌখিবনি।

জেল ফাদোক ১,৫০০ রোম লৈরিবা মফম অদুদা গেং মেম্বরশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু ওথোরিটিশিংনা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুং ৩ লোম চঙখি। মখোয়শিং অদুবু পুলিসনা ফিজিকেল পৱারনা কন্ত্রোল তৌবা ঙল্লক্তবদগী নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখি। অমদি হেন্দ গ্রেনেদ অমসু শীজিন্নখি।

থৌদোক্তুদা ফাদোক মঙা শিখিবগা লোয়ননা ৩৯ অশোক অপন নংখিবনি। শোকখ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ১৩ গী ফীভমদি লুরি। মখোয় জেল হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথরি। জেল অসিদা লৈরিবা ফাদোকশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৯ দগী জেল অসি মিলিটরিগী কন্ত্রোল মখাদা লৈখিবনি। জেল মনুংদা খূৎ থোক্লখিবা গেং অনী অদু লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ঙাক্তনি হায়রি।

## কানাদাদা কোভিদ ভেক্সিন পীখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ১৮ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কানাদাদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন অমা পীখ্রে হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা শোথরবা লৈবাকশিংদা য়ু এসনা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাংদা য়ু এসনা অৱাবা তারবা লৈবাকশিংদা কোভিদ ভেক্সিন তেংবাঙ পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা অদুগী মতুং ইন্না কানাদাদা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন অমা পীখিবনি। য়ু এসনা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংগীদমক মতম লৈবা খিবিক্তা লেপ্পুনা লৈগনি অমদি মথৌ তারকপা মতমদা মতেং পাংনবা য়ু এসনা শেম শাদুনা লৈ হায়রি।

## জুন ২৬ তগী মাস্ক উপত্রবসু য়ারগনি

স্পেন, জুন ১৮ (এজেন্সী):

স্পেনদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না য়ুমদগী মপান থোকপা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্পবা লৈঙাক্না শেমখিবা পোলিসি অদু লাক্লিবা জুন ২৬ তগীদি চৎনররোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সানকেসনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং তপ্না তপ্না কন্ত্রোল তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোরকপা মতমদা মাস্ক উপত্রবসু য়াহন্নবা মহাক্কী লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখিবনি। মমাং চহীগী মে থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না মতম পুম্বদা মাস্ক শীজিন্নদুনা লাকখিবনি। পনবা য়াবদি স্পেনদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং ৮০ হেন্না শিহনখ্রবনি।

## ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা গজাদা অনীরকশুবা ওইনা এয়রষ্ট্রাইক চথ্দুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে

জেরুসালম, জুন ১৮ (এজেন্সী) :

নুমিৎ ১১ নি ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখ্রবা মতুং সিজ ফায়র তৌনদুনা লৈরিঙৈ মরকসিদা ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্সনা অনীরকশুবা ওইনা গাজা ষ্ট্রিপতা টার্গেট থল্লগা এয়রষ্ট্রাইক চথরকখ্রে হায়না হমাজ গ্রুপনা ফোঙদোরকখি।

গ্রুপ অসিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলি ফাইটর জেটশিংনা গাজা সিটিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা হমাজ গ্রুপনা লৈরিবা মফমশিংদা টার্গেট থমদুনা এয়রষ্ট্রাইক চথরকখিবনি। জবালিয়নগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন বিল্ডিং অমদসু ইজরেলি ফাইটরশিংনা টার্গেট থল্লগা এটেক চথরকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ইজরেল এয়ারষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন নংখিবগী পাউ লৈত্রি। ইজরেলদা নৌনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা নফটালি বেনেটকী অয়াবা ফংলবা মতুং এয়রষ্ট্রাইক অদু চথখিবা ওইরম্বা য়াই। ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা সিজ ফায়রগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইদুনা এটেক চথরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা অমুক হন্না অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হমাজ গ্রুপতা টার্গেট থল্লগা এটেক চথখিবনি। হমাজ গ্রুপনা বেলুন কয়া থাগত্তুনা গজাগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা ফার্মলেন্দশিং মৈ থাদুনা মাঙহন্নবা হোৎনরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা এয়রষ্ট্রাইক অদু চথখিবনি।

গজা ষ্ট্রিপতা লৈরিবা হমাজ গ্রুপশিংবু মপুং ফানা মুথৎপা হায়বসি ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সকী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। হমাজ গ্রুপ অসিগী মিলিটরি বেজশিং অমদি মখোয়না শীজিন্নরিবা বিল্ডিংশিংদা মখা তানা ইজরেল ফোর্সকী মায়কৈদগী এটেকশিং চথখিগনি।

অমরোমদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা য়ু এস ষ্টেট সেক্রেটরি এন্টোনি ব্লিনকননা ইজরেলি ফোরেন মিনিষ্টর লাপিদকা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ৱাঙাঙলোয় নেদ প্রাইচনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লুচিংবা অনী অদুনা য়ু এস-ইজরেলগী মরী হান্নদগী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি ইজরেল-পেলিষ্টিনিয়নগী মরক্তা অফবা মরী লাক্লবগী মতাংদা খন্নখি। ইজরেলগী মায়কৈদগী য়ু এসতা হান্না য়ানখিবা মতুং ইন্না ইজরেলি সেক্যুরিটিদা অহেনবা মতেং পীনবগী ৱাফম লাপিদনা অমুক হন্না হৌদোরকখি। পনবা য়াবদি হৌখিবা থাদা ইজরেলদা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা অঙাং ৬৬ য়াওনা পেলিষ্টিনিয়ন ২৫৭ শিহনখি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 178,185,480 | +385,684 | 3,857,664 | +8,651 | 162,683,818 | 11,643,998 |
| 1 | USA | 34,377,592 | +11,230 | 616,440 | +291 | 28,641,439 | 5,119,713 |
| 2 | India | 29,761,964 | +62,409 | 383,521 | +1,310 | 28,573,021 | 805,422 |
| 3 | Brazil | 17,704,041 | +74,327 | 496,172 | +2,335 | 16,077,483 | 1,130,386 |
| 4 | France | 5,749,691 | +2,044 | 110,634 | +56 | 5,536,319 | 102,738 |
| 5 | Turkey | 5,354,153 | +5,904 | 49,012 | +62 | 5,219,797 | 85,344 |
| 6 | Russia | 5,264,047 | +14,057 | 127,992 | +416 | 4,839,705 | 296,350 |
| 7 | UK | 4,600,623 | +11,007 | 127,945 | +19 | 4,296,246 | 176,432 |
| 8 | Italy | 4,249,755 | +1,325 | 127,190 | +37 | 4,023,957 | 98,608 |
| 9 | Argentina | 4,222,400 | +23,780 | 87,789 | +528 | 3,818,346 | 316,265 |
| 10 | Colombia | 3,859,824 | +29,945 | 98,156 | +596 | 3,589,895 | 171,773 |
| 11 | Spain | 3,753,228 | +4,197 | 80,634 | +19 | 3,540,569 | 132,025 |
| 12 | Germany | 3,727,624 | +893 | 90,820 | +72 | 3,594,700 | 42,104 |
| 13 | Iran | 3,070,426 | +10,291 | 82,619 | +139 | 2,708,743 | 279,064 |
| 14 | Poland | 2,878,276 | +218 | 74,734 | +46 | 2,649,535 | 154,007 |
| 15 | Mexico | 2,463,390 | +3,789 | 230,624 | +200 | 1,962,152 | 270,614 |
| 16 | Ukraine | 2,227,225 | +1,188 | 51,902 | +55 | 2,145,660 | 29,663 |
| 17 | Peru | 2,019,716 | +4,526 | 189,757 | +235 | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,950,276 | +12,624 | 53,753 | +277 | 1,771,220 | 125,303 |
| 19 | South Africa | 1,786,079 | +11,767 | 58,323 | +100 | 1,623,319 | 104,437 |
| 20 | Netherlands | 1,676,708 | +1,064 | 17,722 | +3 | 1,588,600 | 70,386 |
| 21 | Czechia | 1,665,655 | +131 | 30,272 | +1 | 1,631,614 | 3,769 |
| 22 | Chile | 1,498,231 | +6,670 | 31,140 | +218 | 1,426,275 | 40,816 |
| 23 | Canada | 1,406,253 | +1,107 | 26,012 | +11 | 1,366,797 | 13,444 |
| 24 | Philippines | 1,339,443 | +6,623 | 23,275 | +154 | 1,257,674 | 58,494 |
| 25 | Iraq | 1,274,629 | +5,189 | 16,811 | +30 | 1,188,422 | 69,396 |
| 26 | Sweden | 1,084,636 | | 14,537 | | 1,037,169 | 32,930 |
| 27 | Romania | 1,080,070 | +87 | 32,206 | +5 | 1,044,773 | 3,091 |
| 28 | Belgium | 1,077,758 | +671 | 25,110 | +11 | 1,006,824 | 45,824 |
| 29 | Pakistan | 945,184 | +1,119 | 21,874 | +46 | 887,095 | 36,215 |
| 30 | Portugal | 861,628 | +1,233 | 17,057 | +2 | 817,754 | 26,817 |
| 31 | Bangladesh | 841,087 | +3,840 | 13,345 | +63 | 776,466 | 51,276 |
| 32 | Israel | 839,747 | +27 | 6,428 | | 833,061 | 258 |
| 33 | Hungary | 807,322 | +113 | 29,948 | +4 | 733,907 | 43,467 |
| 34 | Japan | 779,341 | +1,710 | 14,269 | +82 | 740,213 | 24,859 |
| 35 | Jordan | 745,366 | +522 | 9,635 | +13 | 728,886 | 6,845 |
| 36 | Serbia | 715,442 | +135 | 6,985 | +5 | 705,066 | 3,391 |
| 37 | Switzerland | 701,454 | +194 | 10,869 | +1 | 672,556 | 18,029 |
| 38 | Malaysia | 678,764 | +5,738 | 4,202 | +60 | 608,465 | 66,097 |
| 39 | Austria | 649,181 | +179 | 10,674 | +3 | 635,192 | 3,315 |
| 40 | Nepal | 615,984 | +1,768 | 8,597 | +39 | 545,662 | 61,725 |
| 41 | UAE | 606,128 | +2,167 | 1,741 | +3 | 585,242 | 19,145 |
| 42 | Lebanon | 543,099 | +165 | 7,811 | +3 | 528,743 | 6,545 |
| 43 | Morocco | 525,443 | +468 | 9,225 | +4 | 512,487 | 3,731 |
| 44 | Saudi Arabia | 470,723 | +1,309 | 7,635 | +14 | 452,209 | 10,879 |
| 45 | Ecuador | 442,341 | +1,161 | 21,175 | +22 | 407,512 | 13,654 |
| 46 | Bulgaria | 420,859 | +110 | 17,980 | +23 | 392,452 | 10,427 |
| 47 | Greece | 417,253 | +512 | 12,488 | +16 | 396,317 | 8,448 |
| 48 | Bolivia | 414,513 | +2,836 | 15,826 | +88 | 330,148 | 68,539 |
| 49 | Belarus | 408,621 | +873 | 3,015 | +9 | 401,462 | 4,144 |
| 50 | Kazakhstan | 405,209 | +1,145 | 4,203 | +8 | 381,026 | 19,980 |


# In the High Court of Manipur at Imphal

**W.P.(C) No. 422 of 2021**

In the matter of writ petition filed under Article 226 of the Constitution of India for quashing and setting aside (i) the impugned notification dated 10.05.2021 issued by the Deputy Commissioner, Imphal East District, inviting applications for appointment Fair Price Shop Agents/SK Oil Sub – Dealers for Wangkhei Assembly Constituency of Imphal East District for the year 2021 – 2022 and (ii) Order dated 19.05.2021 appointment of the private respondents No.5 to 36 in place of the petitioners.

Golmei Lantalung, aged about 47 years, s/o Achungpu Golmei, resident of Dimdailong, New Checkon, P.O. & P.S. Porompat, District – Imphal East, Manipur – 795005 & Ors.
...PETITIONERS

-Versus-

The State of Manipur, represented by the Commissioner(CAF&PD), Government of Manipur, Old Secretariat, South Block, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West – District, Manipur – 795001 & Ors.
...RESPONDENTS

To

1. Y. Irabot Singh, aged about 79 years, s/o late Y. Angangyaima Singh of Khurai Ahongei, P.O. Imphal & P.S. Porompat, Imphal East – District, Manipur – 795010. ... Respondent No.4
2. Majashinlu Kamei, resident of Nongpok Ingkhol Zonei, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.5
3. Soraisam Sylvia Chanu, d/o Jamuna, resident of New Checkon Nongpok Ingkhol, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.6
4. Th. Bimota Devi w/o Loken, resident of Nongmeibung Pung Makhong, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.7
5. Mutum Sobita w/o N. Tombi, resident of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai, P.O & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.8
6. Khaidem Kamon Devi d/o Khaidem Ibotombi, resident of Nongmeibung Bazar, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.9
7. Babyrani Nongmaithem w/o Likhuram Sher Singh, resident of Nongmeibung Chakpram Leikai, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.10
8. Laishram Chanu Yaima, w/o Nambram Inaoton Singh. resident of Wangkhei Angom Leikai, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.11
9. Rajiya Sultana w/o Athe, resident of Gopalati near Community Hall, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.12
10. Abdul Hamit s/o Abdul Rashid, resident of Golapati Central Masjid Road, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.13
11. Rofiya Begum w/o Ali Choudhury, resident of Hafiz Hatta Mana – Ingkhol, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.14
12. Niengboi Chongloi w/o Jamkholun Touthang, resident of New Lambulane, 1st Street, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.15
13. Haodujam Bidyarani, resident of Wangkhei Khunou, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.16
14. Ashiya Begum w/o Babib, resident of Hafiz Hatta, Itakhola, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.17
15. Leishubam Amita Devi d/o Leishubam Daya, resident of Wangkhei Khunou, Konjeng Poila Leikai, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.18
16. Irom Anupama w/o Tharoijam Khogen, resident of Soibam Leikai, Meri Leirak, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.19
17. Longjam Kiran Bala w/o Boycha, resident of Porompat Ayangpalli Road, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.20
18. Jay Prakash Sahu s/o Parash Nath Sahu, resident of Telipati, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.21
19. Heikham Johna Chanu w/o Thounaojam Punindro. resident of Khurai Thoudam Leikai, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.22
20. Thangjam Ambika d/o Nimai, resident of Khurai Thangjam Leikai, Lainingthou Awangba Polling Station, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.23
21. Angom Ibemhal d/o late Birahari, resident of Khurai Thangjam Leikai, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.24
22. K. Sanatombi Leima w/o Yaiphaba, resident of Khurai Ahongei, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur - 795005 ... Respondent No.25
23. Ksh. Sushma w/o Ksh. Suresh @ Naobi, resident of Mantripukhri near CRPF Camp, P.O. Porompat, P.S. Heingang, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.26
24. Rawani Shital d/o Bijay Rawani, resident of Mantripukhri near UCO Bank, P.O. Porompat, P.S. Heingang, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.27
25. Karam Kananbala w/o Karam Sanajaoba, resident of Chingmeirong Maning Leikai, Opp. Vishal Mega Mart, P.O. Porompat, P.S. Lamphel, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.28
26. Ningthoujam Langamba Meitei s/o Ningthoujam Manehar, resident of Lei – Ingkhol, Sangakpham, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur - 795005. ... Respondent No.29
27. Anoubam Rama Devi d/o Tomba Sharma, resident of Chingmeirong Mamang Leikai, P.O. Porompat, P.S. Lamphel, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.30
28. Daimei Gaiguinei resident of Chingmeirong Kabui Khun, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.31
29. Pou Kendiliu resident of Dewlahland, Kabo Leikai, P.O. Porompat, P.S. Lamphel, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.32
30. Lynda Gangte w/o Thangboi Maate, resident of Canan Veng, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.33
31. T. Thennei Lhing resident of Zomi Villa, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.34
32. Onew Kamei w/o Ravi Dangmei, resident of Namdulong, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.35
33. Geeta Gangmei d/o Kanglemchao Gangmei, resident of Ragailong, P.O. & P.S. Porompat, Imphal East District, Manipur – 795005. ... Respondent No.36

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its Order dated 11.06.2021 passed in WP(C) No. 422 of 2021 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 4 to 36 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local vernacular for two consecutive days.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 06.07.2021 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 15th day of June 2021.

By Order,
ASSISTANT REGISTRAR-I

By:
Mr. Th. Ibohal, Sr. Advocate.

HL-P/9948/19